## কেস হেনগৎলকপা লেপত্রি

হায়দ্রবাদ, সেপ্তেম্বর ২৪ (এজেন্সি) :
শগোলশেল নুমিত্তা অনৌবা ইনফেক্সন ২,১৭৬ থেংনখিবগা লোয়ননা তেলঙ্গনাগী কোভিদ-১৯ কেস পুন্না ১,৭৯,২৪৬ য়ৌখ্রে। ইনৌ নৌনা কোভিদ পেসেন্ট ৮ শিখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা কোরোনাভাইরস লাইচৎতা শিখিবা মী মশিং পুন্না ১,০৭০ শুখ্রে। ষ্টেট অসিদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মী শিবগী চাং লৈবাক্কী এদভরেজ চাদা ১.৫৯গা চাংদম্নবদা চাদা ০.৫৯ দা লৈরি।

## হিরোইন কেজি ১৩ ফারে

চান্দিগর, সেপ্তেম্বর ২৪ (এজেন্সি) :
পঞ্জাবকী ফেরোজপুর দিষ্ট্রিক্টতকী লুপা ক্রোর ৬৫গী ওইগদবা হিরোইন কেজি ১৩ ফারে হায়না বি এস এফনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। হিরোইন ময়ামদু পাকিস্থানগা লোন্নবা ইন্টরনেসনল বোর্দর মনাক্তগী ফাখিবনি। প্লাষ্টিক কেন মরিদা লোৎলম্বা পোৎশকশিং অদু ১১৬ বট্টালিয়নগী ট্রুপরশিংনা সর্স ওপরেসন চথবদা থেংনখিবনি হায়রি।

## নোর্থ কোরিয়াগী ট্রুপশিংনা সাউথ কোরিয়াগী ওফিসল অমা হাৎলগা অশিবা হকচাং মৈ থাখ্রে

সিওল, সেপ্তেম্বর ২৪ (এজেন্সি) :
চয়োল অসিগী অঙনবা শরক্তগী থিবা ফংলকখিদবা সাউথ কোরিয়াগী ফিসরিজ ওফিসল অমা নোর্থ কোরিয়নগী ট্রুপশিংনা নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎলবা মতুংদা অশিবা হকচাং অদু কোরোনভাইরস লাইচৎ থিংনবা হোৎনবগা মরী লৈননা মৈ থাদোকখ্রে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।



সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা হায়খি মদুদি হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা নোরদর্ন লিমিট লাইন (এন এল এল) গী খারোমদা কিলোমিটর ১০রোম লাপ্না ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হি অমদগী মীওই অদু মাঙখিবা মতমদা মহাক নোর্থ কোরিয়াদা চঙশিন্নবা হোৎনখি হায়বগী ইভিদেন্স ফংখি। এন এল এল হায়বসি কোরিয়া অনীগী মরক্তা লৈবা দিফেক্তো মরিটাইম বাওন্দরিনি হায়না লৌনরিবা মিলিটরিনা কন্ট্রোল তৌবা নাকল অনীগী মরক্তা লৈবা য়েৎনরিবা দিমাকেসনগী মফম অমনি।

মশাগী চহী ৪৭ শুরবা ওফিসল অদু করিগীদমক্তা নোংমৈনা কাপ্লিবনো হায়বসি খঙবা ঙমখিদে। তৌইগুম্বসুং নোর্থ কোরিয়ন ট্রুপশিংনা এন্টি-কোরোনাভাইরস ওর্দরশিংগী মখাদা থবক তৌরমগদবা মাল্লি হায়না সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্সিয়ল ব্লু হাউসকী নেসনল সিক্যুরিটি ওফিসনা মীহাৎ অদুবু মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম অমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা নোর্থ কোরিয়াদা মদুগীদমক্তা এপোলোজাইজ তৌনবা অমসুং তুংদা মান্নবা থৌদোকশিং অমুক হন্না থোরকপা থিংনবগী থৌরাংশিং লৌখৎনবা তকশিনখি। সাউথকী মিলিটরিনা ফোঙদোকখিবদা, মখোয়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা নোর্থ কোরিয়াদা লেন্দ বোর্দরগী খুত্থাংদা মেসেজ অমা থাদুনা মীৎহাৎ অদুগা মরী লৈননা এক্সপ্লেনেসন পীরক্নবা খঙহনখ্রে। তৌইগুম্বসুং পাউখুম অমত্তা পীরক্ত্রি।

## এন্টি-চাইনা ওইবা ওষ্ট্রেলিয়ন স্কোলর অনী চাইনানা বেন তৌখ্রে : গ্লোবেল টাইমস

বৈজিং, সেপ্তেম্বর ২৪ (এজেন্সি) :
বৈজিং অমসুং কানবেরাগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা এন্টি-চাইনা ওইবা ওষ্ট্রেলিয়ন স্কোলর অনী চাইনাদা চঙলকপদা লৈবাক অসিনা অথিংবা থমখ্রে হায়না গ্লোবেল টাইমস পাউচেনা শগোলশেল নুমিত্তা মশক মমিং ফোঙদোক্তবা সোর্সশিং পল্লদুনা হায়খ্রে।



রুলিং চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টিগী ওফিসল পিপলস দেলিনা ফোঙবা পাউচে অদুনা হায়, ক্লাইব হমিল্টন অমসুং অলেক্সজোস্কে হায়রিবা মীওই অনী অসি চাইনাদা চঙবদা অথিংবা থম্নবগী ৱারেপ অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা সেপ্তেম্বগী অঙনবা শরুক্তা লোনা য়াদবা মওংদা নারোলন্দগী হায়জিল্লকখি হায়বগী মরালদা চাইনিজ স্কোলর অনীগী ভিজাশিং রিভোক তৌখিবা মতুংদা লৌখিবনি।

চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা এন্ট্রিগী অথিংবশিং অদু কনফার্ম তৌখিদ্রবসু শগোলশেল নুমিৎকী রেগ্যুলর ব্রিফিং অমদা লৈবাক অসিগী ফোরেন নেসনলশিংদা অথিংবা থম্নবগী রাইট লৈতে হায়রদুনা নাকল অনীগী মরী লুশিল্লক্লিবসি ওষ্ট্রেলিয়না থোকহনবনি হায়না মরাল শীখি।

অতমম্না চাইনাদা অকায়বা পীনবা হোৎনবা, চাইনাগী নেসনল সিক্যুরিটি অরুবা ফিভমদা লাকহন্নবা হোৎনবা নৎত্রগা ষ্টদি অমদি অতৈ একাদেমিক এক্তিভিটিশিংগী মিংদা অরানবা পাউ শন্দোক্নবা হোৎনবনচিংবা থৌওং খুদিংমক্কী মায়োক্তা চাইনানা খোঙফম চেৎনা লেপ্লি হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ৱাং ৱেনবিননা ফোঙদোকখি।

মহাক্না অথিংবা থল্লিবদু ওষ্ট্রেলিয়ন গভর্নমেন্টনা চাইনিজ স্কোলরশিংগী মায়োক্তা লৌখৎখিবা একসনগী লমন খুম্বনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ইজরেলদা কোভিদ লোকদাউন কনশিনখ্রে



জেরুসলম, সেপ্তেম্বর ২৪ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরস কেস লেপ্তুনা ৱাংখৎলকপদগী ইজরেলনা হৌজিক অরুবা ক্রাইসিস অমা মায়োক্নরক্কদৌরে হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা শগোলশেল নুমিত্তা মহাক্কী কেবিনেটনা কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগী লোকদাউন হেন্না কনশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

পান্দেমিক মনুংদা অনীরকশুবা ওইনা ইজরেলনা সেপ্তেম্বর ১৮ দা লোকদাউন মখা চথখি। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা চয়োল অসিদা মীশিং মিলিয়ন ৯গী মনুংদা নুংতিগী থেংনবা কোরোনাভাইরস কেস মশিং ৭,০০০ রোম য়ৌরক্তুনা ইজরেলগী হোস্পিটাল খরগী রিসোর্সশিংদা কা হেন্না শোকহনখি। ঐখোয়না খুদক্তা অরুবা ৱারেপ খরা লৌদবা তারবদি ঐখোয় শোয়দনা থেংনবদা ৱারগদবা ক্রাইসিস অমা মায়োক্নরক্লগনি হায়না নেটনয়াহুনা কেবিনেট মীফম মাঙওইননা ফোঙদোকখি।

মীফম অদু পুং ৮ চুপ্না ফমদুনা ইজরেলবু করম্না কোরোনাভাইরস ক্রাইসিসতগী কনগদগে হায়বগী মতাংদা কুপ্না খন্নখি। অনৌবা অথিংবশিং অদুগী মতুং ইন্না ইসেন্সিএল ওইবশিং নত্তনা বিজিনেস অমসুং থবক্কী মফম খুদিংমক ইরাই নুমিত্তগী হৌরগা য়ামদ্রবদা চয়োল অনী থিংগনি। চয়োল অহুম চুপ্না অকনবা লোকদাউনগী ফিভম চৎনহনবনা সেকেল বিলিয়ন ৩৫ লোম (দোলর বিলিয়ন ১০.৬) মাঙহনগদবা ওইবনা ফাইনান্স মিনিষ্টর ইজরেল কাটজ অমসুং বেঙ্ক ওফ ইজরেল গভর্নর অমিয়ারোন্না অনৌবা অথিংবশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। ইজরেলদা রিসেসন লাকপগা লোয়ননা থবক ফংদবগী চাং চাদা ১১ হেল্লে হায়রি।

## চাইনা-নেপাল বোর্দর পোইন্ট হাংখ্রে

কথমন্দু, সেপ্তেম্বর ২৪ (এজেন্সি) :
কোভিদ-১৯ পান্দেমিক্না মরম ওইদুনা চয়োল অহুম্লোম থিংদুনা লাকখিবা নেপাল-চাইনাগী মরক্তা লৈরিবা রাসুৱাগধি-কেরুং বোর্দর পোইন্ট শগোলশেল নুমিত্তা নৌনা হাংলে হায়না কথমন্দুদা কষ্টমসকী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অনীগী মরক্তা মরু ওইবা লল্লোন-ইতিক্কী লম্বীশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা বোর্দর পোইন্ট অদু নেপালি ৱর্কর অমা নোভেল কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বদগী থিংজিনখিবনি। মমাংদা বোর্দর পোইন্ট অদু অহানবদা চাইনাগা নকশিন্নবা বোর্দর এরিয়া অদু উন কা হেন্না তাবনা মরম ওইদুনা অমসুং মতুং তাবদা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা পুন্না থা ৬ লোম থিংজিল্লুরবা মতুংদা জুলাইগী অঙনবদা নৌনা অমুক হাংখি।

### গুরদ্বারাদা সিখ মন্যুস্ক্রিপশিং শীন্নখ্রে

ইস্লামবাদ, সেপ্তেম্বর ২৪ (এজেন্সি) :
চহী ৯০ চুপ্না চেকশিন্না থম্লক্লবা মতুংদা পাকিস্থানগী সুফি ওর্গনাইজেসন অমনা চহী ১১০ শুরবা গুরু গরান্থকী অতাংবা মন্যুস্ক্রিপ কোপিশিং সিয়লকোটতা লৈবা গুরদ্বারা অমদা শীন্নখ্রে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মিটর সঞ্জহ পঞ্জাব ওর্গনাইজেসনগী মকোক ইফতিখর ৱারাইচ কলরাভিগী মতুং ইন্না মন্যুস্ক্রিপ অনী অদু গুজরাট দিষ্ট্রিক্টকী কলরা দেৱান সিংহৱালাগী সুফি লাইনিংবা অমা ওইরিবা পির সয়েদ মুনির নকসবানধিনা চেকশিন্না শেন্নদুনা লাকখি। ইন্দিয়াবু পার্টিসন তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা থোকখিবা কাঙলুপকী ইরাংদগী নাম্থোক্তুনা চেন্নবা হোৎনখিবা সিখ ইমুং খরা নাকসবনধিনা চঙজফম পীখি। ইমুংশিং অদুবু লৈফম চাফম পীবদা নত্তনা মহাক্না মখোয়গী লাইনিং লাইশোনগী স্ক্রিপচর খরসু পায়শিনবিদুনা কাঙলুপকী ইরাং অদুদা মাঙহন-তাকহল্লমগদবদগী কন্দুনা থমখি।

## হোং কোংগী প্রো-দেমোক্রেসি এক্তিভিষ্ট ফাগৎখ্রে

হোং কোং, সেপ্তেম্বর ২৪ (এজেন্সি) :
হোং কোংগী মশক নাইবা প্রো-দেমোক্রেসি এক্তিভিষ্ট জে াসুৱা ৱোং মমাং চহীগী ওক্তোবরদা অনওথোরাইজ এসেমল্লি অমদা শরুক য়াখিবগা মরী লৈননা শগোলশেল নুমিত্তা পুলিসনা ফাগৎখ্রে। মহাক্না ৱাফম অসি মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টদা ফোঙদোরকখিবনি।



ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তাবদা সেন্ট্রল পুলিস ষ্টেসন্দা রিপোর্ট তৌরিঙৈদো জোসুৱা ফারে। ফারিবদু হৌখিবা চহীগী ওক্তোবর ৫ দা অনওথোরাইজ এসেমল্লি অমদা শরুক য়াখিবগা মরী লৈনৈ। মহাক্না হোং কোংদা চৎনরিবা এন্টি-মাস্ক লোসু থুগায়খি হায়না ত্বিটর পোষ্ট অদুদা পনখি।

কুমজা ২০১৯গী ওক্তোবর ৫দগী চৎনহনবা হৌখিবা হোং কোংগী এন্টি-মাস্ক লোনা মীয়াম্বু প্রোটেষ্ট মনুংদা মখোয়গী মমায় খুমজিনবদা অথিংবা থম্মী। ঙসি পুলিসনা ফারিবা থৌওং অসি হান্না কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তনি হায়না রুলিং পীখ্রবা মরাল কয়া শীজিনদুনা ক্রিমিনেল জষ্টিস সিষ্টেমবু ফজদবা মওংদা মশক থীহন্নবা অমনি। অদুমওইনমক ঐহাক্না সরেন্দর তৌবদি লৈরোই। অনওথোরাইজ এসেমল্লিগী চহী মঙাগী জেলগী চৈরাক অমসুং মাস্ক শীজিন্নখিবগী চহী অমগী জেলগী চৈরাক অসিনা ঐহাকপু নীংহন্নহনবা ঙম্লোই হায়না জোসুৱানা ত্বিটর পোষ্ট অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্ট রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ওক্তোবর ২০১৯গী প্রোটেষ্ট অদুগা মরী লৈননা কু জে-য়ু কৌবা অতোপ্পা এক্তিভিষ্ট অমসু ফাখি। পুলিসনসু মীওই অনী অসি অনওথোরাইজ এসেমল্লিদা শরুক য়াবগী মরালদা শগোলশেল নুমিত্তা ফারে হায়বসি কনফার্ম তৌখি।

## কর্নাতাকাদা লোকদাউন অমুক হন্না থম্লরোই

বেঙ্গলুরু, সেপ্তেম্বর ২৪ (এজেন্সি) :
লোকদাউন অমুক হন্না থম্লক্লগনি হায়বা তোকঙা লেপহন্নবা হোৎনরদুনা কর্নাতাকাগী মেদিকেল এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ডা. কে সুধাকরনা ষ্টেট গভর্নমেন্টদা লোকদাউন অমুক হন্না থম্নবগী প্রপোজেল লৈতে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



বেঙ্গলুরুদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা সুধাকরনা হায়খি মদুদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লোকদাউন থম্নবগী ইঙ্গিৎ পীরকপা লৈতে। তৌইগুম্বসুং ৱাফম অসি য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মহাক্না চথখিবা ইন্টরেক্সনদা শরুক য়াখিবা ষ্টেটশিংনা অসিগুম্বা প্রপোজেল শুংশোয় শোয়দনা খন্নরোইদবনি হায়বদি লৈতে। ৱাফম অসি শুপ্নগী সজেসননি, তৌইগুম্বসুং দিরেক্সন অমদি নত্তে। কর্নাতাকাদা অসিগুম্বা ৱাফম ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগী থোইদোকপা মরম লৈতে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা সুধাকরনা হায়খি মদুদি ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংনা মাইক্রো-কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা হেন্না মীৎয়েং থম্বগী তঙাইফদবা লৈ। মদু পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা খন্ন-নৈনবা অমা ওইখি। কনামত্তনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্বু লান্না ৱাখল উহনগদবা মওংদা মদুবু লান্না ৱাহন্দোক পীবা তৌরোইবনি হায়না মেদিকেল এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

টুরিজম মিনিষ্টর সী টি রবিনা হায়খি মদুদি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা কোভিদ-১৯গী মরমদা মীয়াম্বু হেন্না ৱাখল তাহন্নবা হোৎনবগী ৱাফম শৌগৎলবসু গভর্নমেন্ট মনুংদা লোকদাউন থম্নবগী ৱাফম খন্নবা লৈতে। হৌজিক মীয়াম্না তৌগদবদি সেফটিগী প্রোতোকোলশিং চেকশিন্না ইন্দুনা শাথিরবা ভাইরস অসিবু থেংনবা অসিনি। বেঙ্গলুরু নৎত্রগা মফম অমত্তা লোকদাউন লৈরোই হায়খি।

## কোভিদ পেসেন্ট ৪৮ শিখিবদগী প্রাইভেট হোস্পিটাল ৪ দা নোটিস সার্ভ তৌখ্রে

লক্ষ্ণৌ, সেপ্তেম্বর ২৪ (এজেন্সি) :
লক্ষ্ণৌদা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটাল মরিদা রিফর তৌরকখিবা কোভিদ-১৯ পেসেন্ট ৪৮ শিখ্রবা মতুংদা সিটি অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না হোস্পিটালশিং অদুদা থবক্তা থৌশাদবগীদমক্তা নোটিসশিং সার্ভ তৌখ্রে।



চন্দন হোস্পিটাল, মায়ো হোস্পিটাল, চরক হোস্পিটাল অমসুং এপোলো হোস্পিটালবু লায়েংবা হৌবদা মতম থিম্লে, কোভিদ টেষ্টশিং পাঙথোকপদা মতম শাংনা লৌই অমদি কোভিদ ৱার্দশিংদা পেসেন্টশিং হোংজিনবদসু মরম চাদনা মতম কা হেন্না শাংনা লৌই হায়না মরাল শীখি। নোটিসশিং অদু ইপিদেমিক দিজিজেজ এক্টকী মখাদা ইশ্যু তৌখিবনি অমসুং মখোয়দা পুং ২৪গী মনুংদা পাউখুম পীরক্নবা খঙহনখি।

হোস্পিটাল খরদা পেসেন্টশিং লায়েংবগী প্রোতোকোলশিং ইন দবগী কেসশিং থেংনখি। রিফর তৌরকপদগী অসিগুম্বা কোভিদ হোস্পিটালশিংদা চৎখিবা পেসেন্টশিং শিখি হায়না লক্ষ্ণৌ দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অভিসেক প্রকাসনা ফোঙদোকখি।

ওফিসল অসিনা হায়খি মদুদি নন-কোভিদ হোস্পিটালগী প্রোতোকোলদা অরুবা ফিভম ওইবা পেসেন্ট অমা মফম অদুদা থুংলবা তারবদি মহাকপু হোল্ডিং এরিয়াদা থমদুনা পন্থবা তৌদনা লায়েংগদবনি। মতমদুদা কোভিদ টেষ্টসু পাঙথোক্কদবনি। টেষ্টতা নেগেটিভ ওইরক্লবদি পেসেন্ট অদু মপুং ফানা লায়েংবা হৌগদবনি। মসি নত্তদুনা পোজিটিভ ওইরল্লবদি মহাকপু কোভিদ হোস্পিটাল অমদা ট্রান্সফর তৌগদবনি হায়না ওফিসল অসিনা ফেঙদোকখি।

## এন আই এনা রেইদ চথখ্রে


শ্রিনগর, সেপ্তেম্বর ২৪ (এজেন্সি) :
এল ও সীদা লল্লোন-ইতিক তৌবগী কেসতা থীজিনবগা মরী লৈননা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মফম কয়াদা থিবা-হুম্বা চথখ্রবা মতুং নুমিৎ নিনি লৈরগা অমুক তম্পাক অদুগী মফম তরুক্তসু সার্চ তৌখ্রে।

দিল্লিদা এন আই এগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, এন্টি-টেরর প্রোব এজেন্সি অসিনা ক্রোস বোর্দর ট্রেদ কেসকা মরী লৈননা মফম কয়াদা সার্চ তৌখি। থিবা হুম্বদু অয়ুক্তা মফম অহুমদগী হৌরগা নুংথিল ফাওবগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা মফম তরুক্তসু রেইদ তৌখি।

এন আই এনা রেইদ মনুংদা মরু ওইবা লিদশিং মথং-মথং ফংলকপদগী অতৈ মফম কয়াসু খঙলক্তুনা রেইদ তৌগদবা মফমশিং হেনগৎলকখি। ট্রেদরশিংগী মনুংদা নার্কোটিক্স কেসকা মরী লৈননা জম্মুগী কাথুৱা জেলদা থল্লিবা বরামুলাদগী ইর্সিট ইকবানগা লোয়ননা হৌজিক-হৌজিক বরামুলাদা জেলদা থল্লিবা সেখ মচিন-মনাওশিংসু য়াওরি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, YAIRIPOK
Ref :- Mut. Case No. 264/SDC/YPK/2020 Dt. 24/09/2020
1. Kimmanhu Vaiphei, W/o. (L). S.T. Ginlal Vaiphei of Leimakhong Bazar
2. Letgoulian Vaiphei, S/o. (L) S.T. Ginlal Vaiphei of Leimakhong Bazar
- Petitioner
-Vs-
(Late) S.T. Ginlal Vaiphei, S/o. S.T. Letpu Vaiphei of L. Champhei
OPP.
ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯠ / NOTICE
24th Sept. 2020
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner শিংনা Yairipok তহশিল খুন নং 115-Kakmayai পাট্টা নং 358 (Old) 223 (New) অনৌবা দাগ নং 1361 এরিয়া 1.00880 Hectors হেক্তর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার S.T. Ginlal Vaiphei, S/o. S.T. Letpu Vaiphei সাং L. Champhai অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টদারগী মিং ককথৎপীরগা মহাক্কী নুপী অমসুং মচানুপা পিটিসনরশিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ফৌরেল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোংবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট সিদা অয়েৎ চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।
HL-B/6402/25 Sd/- Sub-Deputy Collector, Yairipok

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ / নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি



Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোম্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খুৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।
লায়েংজরিবা - Naorem Ibomcha Meitei
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645
HL-B/6333/27/08-26/09

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, I.W. HIYANGTHANG
Ref :- Mut. Case No. 233/SDC/IW (H)/2020 dt. 18/07/2020
Shree Yumnam Dolen Singh S/o (L) Ibobi Singh of Kodompokpi.
-Vs-
Shree Late Yumnam Ibobi Singh S/o (L) Thambou Singh of Kodompokpi
ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯠ / NOTICE
Dated/Hiyangthang, the 18th July, 2020
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং ৫ - কোদোম্পোকপী পাট্টা নং ৪৩১ (অনৌবা), ৪৯৮ (অনৌবা) গী হাল দাগ নং ১৪৫৮ (অনৌবা) গী এরিয়া ০.৬৫৫৬১ একর চাউবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নামজারি তৌবিরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনীংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ২৬/৭/২০২০ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।
HL-P/7602/25 Sd/- Sub-Deputy Collector, I.W. Hiyangthang

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR
Ref :- Mut. Case No. 190/AS&SO/III Dt. 13/07/2020
Rabeichandra Keisham, S/o. (Late) Keisham Ibochoubi Singh of Wangkhei Laishram Leikai
(Applicant)
-Vs-
Keisham Ibochou Singh, S/o. (Late) Shangai of Wangkhei Laishram Leikai
(O.P)
ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯠ / NOTICE
Dt. 23rd Sept., 2020
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ২৭-ৱাংখৈ নোংপোক্কী পাট্টা নং ৩৩৫/অংস অরিবা ১০১ অনৌবা দাগ নং ২০৬৬ এরিয়া ০.৫৪ একর চাওবা ইংখোল অসিগী নামা পাল্লিবা পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা লৈখিদ্রবা পাট্টাদার অসিগী মহুৎতা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীশিংনা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই, কেস মখা চথরগনি।
HL-P/7601/25 Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-III, Manipur

ꯊꯥꯒꯠꯄ / THANKING



সুধাকর

THANKING TO DR. LAISHARM SUDHAKAR (SHAMU), S/O. L. NABAKISHORE OF SAGOLBAND KHAMNAM LEIRAK, IMPHAL NEAR I.T.I. FOR CURING ME FROM STONE CASE. AFTER USING HIS MEDICINES ONLY 4 (FOUR) WEEKS THE STONE HAD GONE FROM MY RIGHT KIDNEY. NOW I AM VERY HAPPY. SO I AM THANKING HIM.
Sd/- Kamei Poujailung
Mahabali Kabui Khul
HL-P/7597/25

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR
Ref :- Mut. Case No. 217/AS&SO/III Dt. 23/09/2020
1. Yumnam Orpuna Devi, S/o. (L) Chaoba Singh of Wangkhei Angom Leikai
2. Yumnam Premlata Devi, S/o. (L) Chaoba Singh of Wangkhei Angom Leikai
(Applicant)
-Vs-
Late Yumnam Ushim Singh, S/o. Late Chaoba Singh of Wangkhei Angom Leikai (O.P)
ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯠ / NOTICE
Dt. 23/09/2020
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ২৭-ৱাংখৈ নোংপোক্কী পাট্টা নং ৫/অংস অরিবা ৪৮৪/(এ) অনৌবা দাগ নং ৭৬/(এ) এরিয়া .০৪২৬ একর চাওবা ইংখোল অসিগী নামা পাল্লিবা পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা লৈখিদ্রবা পাট্টাদার অসিগী মহুৎতা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীশিংনা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (আপিল) তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই, কেস মখা চথরগনি।
HL-P/7601/25 Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-III, Manipur

**ꯊꯥꯒꯠꯄ / খোং হাম্বা মতমদা কোঙ্গোলগুম্না মরু মরু হাম্বা, খোং হাম্বা মতমদা মপুং ফানা হাম্বা য়াদবা, খোং হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, খোং হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, খোং হাম্বদা গেসলিনগুম্না মনাং য়াম্না য়াওরকপা, খোং হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোং হাম্বা মতমদা কোঙ্গোলগুম্না মরু মরু হাম্বা, খোং হাম্বদা কোঙ্গুলগুম্না নুংতিগী মরু মরু হাম্লকপা অদুনা মরম ওইরগা অমাংথোং মনুংদা খেতৎলগা চাথৎপা অদুনা মরম ওইদুনা খোং হাম্বা লোইরগা অমাংথোং মনুংদা শারগা লৈবা, খোং হাম্বা মতমদা মপুং ফানা হাম্বা য়াদবা, খোং হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, খোং হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা হকচাংদা ঈ ৱাশিল্লকপা, খোং হাম্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা ঈ তারক্কনি খনবদা, খোং হাম্বদা গেসলিনগুম্না মনাং য়াম্না য়াওরকপা, মনাং হেক য়াওরকপগা হকচাংদা চোকথ-ৱাম্থবা, খোং হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থবা, নাম্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খুৎনা ইনশিনবা, ফম্বা মতমদসু নাম্থরকপা, অমাংথোং মনুংদা চক চক থিল্লকপা, অমাংথোংদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, পুক্তা গ্যাষ্টিক কারগা থবাকলোমদা চেনখৎলগা থবাক নাবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খনাওদা ইথক্তা থনগৎলগা লৈবা, খ্বাং নাবা, ঙকশম মরি নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।
লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)
HL-B/6380/24 থাগৎচরিবা : N. Manihar Singh, Heingang

NK GROUP Pvt. Ltd
New Lambulane, New Checkon Road, Eden Tower
WANTED HOME TUTOR
(Imphal area only)
We are looking for dynamic & energetic teachers/ scholars for HOME TUTORS.
SUBJECT OFFER
a) English b) Mathematics c) Sciences
d) Social Sciences e) Meetei Mayek f) Commerce, etc.
Class opening from Class I to VII Std.
Shift :- Morning - Evening - Night
Salary :- Negotiable
Essential Qualification :- B.A./B.Sc./M.A./M.Sc./B.Com/M.Com.
N.B. : NK GLOBAL SCHOOL, MOIRANG is OPENING soon.
Please contact for details during offer hours.
Office Mobile No. :- 08131921514 & 07629934401
Last date of form submission is 25th September 2020.
Sd/- Director of School
NK Group Pvt. Ltd.
New Lambulane, New Checkon Road, Eden Tower
HL-P/7566/21, 23, 25